Thursday, January 22, 2026, Imphal

HUEIYEN LANPAO

# ব্রিকিং ন্যুজ

## পি আর লৈবদগী 'ৱাকচীংগী নোং' চুখিদ্রবরা

'প্রসিদেন্টস রুল' হায়রিবা লৈঙাক্লোন মখলসি মণিপুরদদি পুম্নৌ-নৌবা লৈঙাক্লোন মখল অমদি ওইদ্রে। হায়বদি ফেব্রুৱারী ১৩,২০২৫দা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিবু 'সস্পেন্দেদ এনিমেশন'দা থম্লগা হৌজিক ফাওবা থা ৬/৬কী ওইনা থেঙ্খাং নাইনা শাংদোকহল্লক্লিবসিনা ষ্টেটসিদা লৈঙাক মখলসি চলাইরক্তুনা চৎনহল্লকপা '১১রক' শুরে হায়। লাইনা নিংথৌ ওইনা পাল্লম্বদগী মীনা মখা শমথরকখিবা মণিপুরদদি 'প্রসিদেন্টস রুল' গা হায়বা লৈঙাক মখলসিদি হৌদোকমিন্নরকপা নাতোন শুমাঙবু খাঙঙুথক্কী কোইনা কুপশিল্লি হায়বগুম্বনি। হায়বদি চহী অদুক কুইনা-শাংনা লাই হাক্তক্তগী লৈরকখিবা লৈঙাক্লোনশিংদা 'পি আর' গা হায়বসিদি 'ইমানা পোকপদগী থেংনজরক্তে' হায়বদুগুম্বনি। নিংথৌ পাল্লিবঁগে কুমজা ১৮১৯দগী ১৮২৬ ফাওবা অৱাগী মখূৎতা চহী ৭ খুন্তাক্লুরে। কুমজা ১৮৯১গী এপ্রিল ২৩দা খোংজোম লানফমদা মায়থীবদগী ওগষ্ট ১৫, ১৯৪৭ ফাওবা চহী ৫৬ মীখা পোল্লুরে। কুমজা ১৯৪৭তা 'মণিপুর ষ্টেট কন্সটিট্যুশন এক্ট' শেল্লগা মসিগী মখাদা ইহান হানবা মীখল পাঙথোক্তুনা মণিপুর মীয়ামগী এসেমব্লি অমসুং লৈঙাক লিংলুরে। মণিপুরনা হৌরকঙৈদগীনা হায়রিবা শাংলবা মতমসি ফাওবদা 'পি আর' হায়বসি করিনো, করম্বা মখলগী লৈঙাক্লোননো, কনানা লৈঙাক্লোই ওইদুনা চলাইবনো হায়বসি ষ্টেটসিগী মীয়ামগী লুদা-তোংদা চঙলকপা নত্তে। শমিন ফংলক্তে অমসুং হকথেং-মায়থেংনরকখিদে। অদুবু লৈবাকসিগী ফিবান্নুংদা ওক্টোবর ১৫, ১৯৪৯দা তিনখিবদগী অনৌবা লৈঙাক্লোনগী য়ূম্বাল্লোন অমগী চৎনবীগী লীপুননা ক্রক-ক্রক লাকশিন্দুনা পুনশিল্লকখিবনি। লৈরক অমা শৈশক অমা হায়বদুনি। থুম চফুবু তোঙাল্লবদি 'লোন্দে' তোঙাল্লি হায়বদুগুম্বনি। কুইর-কুইরগা ফরক্লিরা, চাওখৎলক্লিরা নৎত্রগা শেম্বীগে-শেম্বীগে হায়রগা অসুম-অসুম য়োং মানশিল্লক্লিরা হায়বদুদি মরোল নাইনা লৈখ্রিবা ষ্টেটসিগী মীরোলশিংনা শিৎ-নান্না খঙলমগনি। মশা-মশা য়ানরগা চেন-চোংদুনা লুহোং-খোঙদোংদুনা য়ূম্বানমিন্নরকপনি হায়বসু য়াওই। মশানা য়াদনা 'নুপী চিংবা' হায়দুগুম্না তৌবা, হৌজিক্কী মতমদনা 'এবদক্সন' অমসুং 'কিদনেপ' কা হায়বদুগুম্না তৌরগা 'রোংফুল কনফাইনমেন্ট' তৌরকপনি হায়বা য়াওই। ইশম-শম্না 'মর্জর' নত্তে, 'এন্নেক্সেশন' নি হায়বা ময়াম অমসু লৈরিবনি।

অদুবু হায়রিবা ময়ামসিগীদি থোইদোক্ত্রে। মরমদি হৌজিক্না অমত্তা ওইমিন্নরে হায়রবা ফাওবদা মসিগী মতাংদদি মণিপুর অমসুং ইন্দিয়াগী মরক্তা অশেঙবা ৱায়েল চত্থবা ঙম্বা মালেমগী বোদি অমা চোংথোরক্লগদি কনানা ঙানো, কনানা ঈশিংনো হায়বদো চপ-চানা লৈখাই তাদুনা নাখে শেংদোক্লবা য়াদোইনি। অদুবু হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি লৈঙাক্লোন মখলগী মমিং মান্নদবা অমসুং খেন্নবগী ওইরকফম থোকপা মশক-শক্তম ওইবগীরা, হোংলকপা মচৎ ওইগদ্রা কুইরবা মতমদগী মণিপুরদা 'ৱাকচীংগী নোং' হায়না খঙনবা নোংজু অমা চহী খুদিংগী ৱাকচীং থাদা হেক-হেক চুরকখিবদুবু ঙরাং-নহান জন্যুৱারী ১৮, ২০২৬তা 'থাশু' ওইখ্রবা ৱাকচীং থাদা চুখিব্রা হংবনি। হন্দক্কী ৱাকচীংগী নোংগী মতাংদা খোঙ্গুল লিরুরে। অখঙ-অহৈনি হায়বা অমায়বা-অমায়বী খরদা থৌওইনা হংলুরে। মহৌশাগুম্না থেংনদবদগী হংলুবনি। অদুবু হৌখ্রবা ৱাকচীং থাদুদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ইরোম মৈত্রাওদা পারপ খিকখ্রে হায়রকই। অদুগা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মফম খরদসু চুখ্রে হায়। অদুবু থৌবালগীদি চপ চাবা মফম অমসুং মতমদি হায়রকখিদে। অদুবু ৱাফমশিংসি চুম্বু চুম্লম্লবদি য়াম্না ফৈ। চহী কয়াগী মমাঙদগী লিশাং শিৎনা ৱাকচীং থাদা নোং চুরগা লাকপদগী 'ৱাকচীংগী নোং' হায়দুনা খঙনরকপনিনা হন্দক্কী ৱাকচীংদা চুখিদ্রবদি করি-কমদৌরক্কদগে অমসুং করি ওইরক্কদগে হায়বা ৱাখলশিংনা মফাং মফাংহল্লকই। ৱাকচীংগী নোং হায়রগা 'ফাইরেন থাগী অঙাওবা লৈচিল' না নোং ওল্লক্তুনা চুবদু নত্তে। নোংজুথা হায়না খঙনবা 'ইঙা-ইঙেন' গী নোংজুসু নত্তে। মেরা থাদা ঈচাও হেক-হেক মায়োক্নহনবা ফুইনা হৌরকপা নোংহৌগী নোংজুদুসু নত্তে। ৱাকচীংগী নোংদি চহী খুদিংগী লেপ্তুনা চুরকই। লৈখোম-থোক্নসু চুনদে। অদুবু চুদবা-খিক্তবদি লৈরক্তে হায়বা ৱাফমসি মণিপুরগী মীয়াম, মরু ওইনা মীতৈ/মৈতৈশিংগী চিন্দোন-লৈতোনদা পল্লক্লবনি। মসিগী মথক্তা ৱাকচীংগী ঈংখ্রবা মতমদা চুরক্লিবা নোংসিনা ফত্ত-হৌদি অমসুং অরোন-অরান পূম্নমকপু শুদোক-চামথোক্তুনা কোকহল্লি হায়বগী অচেৎপা থাজনবা অমসু লৈরক্লিবনি। অদুবু হন্দক্কী ৱাকচীংগী নোংগী মতাংদা অমায়বা খরনা মফম খরদা পারপ্না খিকখ্রে হায়রক্লিবসি চুম্লম্বদি ওইসনু হায়ববু মহৌশাগুম্না মীপূম তিংনা খঙনবা ৱাকচীংগী নোংজুদি ওইখিদ্রে হায়বনি। মসিমদি পুমশেং-শেংলবা ৱাফম্নি। অদুবু মালেমগী ওইনা 'গ্লোবেল ৱার্মিং' মায়োক্নরক্লবসু, 'ক্লাইমেট চেঞ্জ' গী চৈথেং নংলবসু কুম খুদিংগী ৱাকচীংদা চুরকখিবা নোংনা হন্দক্তি মহৌশাগা মান্নরক্ত্রিবসিবু 'প্রসিদেন্টস রুল' লৈবগী ওইগদ্রা? পি আর লৈরগা ৱাকচীংগী নোংদা অহোংবা-অওনবা'মা উরক্লগদি মসিগী মমাঙদা ১০রক লৈখিবা মতমদুদসু অসুম্মাইনা তৌখিবজাৎলা? অশেংবা'মা খঙদোক্লবা পি আর থমখিবা মতমশিংদুগী পুৱারীগী লমায়শিং হঙ্গৎনা ফাক্কৎলুখিগদ্রা হায়বনি। অদুবু অতৈদি খঙদে। হন্দক চহী ২০২৬কী গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী দিরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেশন এন্দ পব্লিক রিলেশন্স (দি আই পি আর) না পুথোরকপা 'মণিপুর কেলেন্দর-২০২৬' য়েংলুরগদি পি আর লৈঙাক্কী মনম ৱা-ৱা নম্মী। মণিপুর কেলেন্দর-২০২৬কী মশক-মশা অমা খংওন হেক ওল্লি। মমাঙগী কুমজা ২০২৫গী কেলেন্দরদদি থা ১২গী মমায় ১২ মক্তা ফেব্রুৱারী ৯, ২০২৫দা রিজাইন তৌদ্রিঙৈ ফাওবদা লৈরমখিবা লৈঙাক্তুনা পেৎ লাওনা থৌরম অমা পাঙথোকখিবা ফাওবগী ফোটোনা ৱাই চাই। পুমথন থল্লি। চীফ মিনিষ্টর অমসুং মিনিষ্টর ওইরম্বশিংদুনা মখল-মথেলগী থৌরমশিংদা শরুক য়াবা, শঙ্গাবা, উরেপ তম্বা, স্কিম অমসুং প্রোজেক্টশিংগী খনগৎলবা বেনিফিসরিশিংদা শেন্থং য়েন্থোকপনচিংবগী নোকফেৎ তৌবা অমসুং খোইরুম মোমোন্নবা মায়থোঙশিংগী ফোটো য়াওদবা য়াওখিদে। অদুবু হন্দক চহী ২০২৬কী মণিপুর কেলেন্দরদদি জন্যুৱারীদগী হৌরগা দিসেম্বর ফাওবদা হাপ্লক্লিবসি লোক্তাক পাৎ, গেলজাং রিজোর্ট, কৈবুল লমজাওগী সঙাই, খোংজোম ৱার মেমোরিএল, শিরুই লিলি, মার্জিংগী পোলোগী মিতম, খৌপুম ভেল্লি, চলৱাগী ঈশিং চাইবী, নোংইন অমসুং খরুংপাৎকী ফোটোশিং ওইনা হাপ্লক্লে। মণিপুর লৈঙাক্না পুথোকপা চহীগী কেলেন্দরদা ফাওবা পোপ্যুলর গভর্ণমেন্টকা পি আরগগী মরক্তা অসুক শাথীনা খেন্নরগা ৱাকচীংগী নোংদদি কৈদৌবৈ অহোংবা লাক্লোইদগে? হন্দক্কীদি য়াম্না পানা মমিংতগী ওইনা অমসুং মীপূম তিংনা খঙহন্দনা চুখ্রে-তাখ্রে হায়রিবসিসু পি আর লৈবদগী শোয়দনা ওইরমগদোইনি। ওইসনু, করিসু কায়দে। উগী উহৈনি। শেবোৎতা মাইরেন পানবা হৌনদে। অদুবু পি আরনা মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা লানসিগী ৱারোইশিন পুরক্কনি হায়দুনা অচেৎপা থাজবশিং থম্নরুরগা চাক হাওনা চারিঙৈদা মনুং চংনীংলকপদৌনা হান্নগী চপ-মান্নবা মীথিৎশিংগী লৈঙাক্তু অমুক লৈহল্লক্লগনি হায়নরকপসিদদি কৈদৌগেনা পি আর থম্লকপনো? নপা কান্নরিব্রা হায়বগী ৱাহং হংনবা হৌনরক্লে হায়বনি। হন্দক্কী ৱাকচীংগী নোংসিদি কৈনোম'নি। খূকউ শেলহৌবা চুমদৌ মাল্লি!!

# মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্‌থৌলোল্‌ লম্‌পুপা'

## (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৬৭৭)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্কী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

খোকলাং মখুৎশু য়াইফু মানমুখুৎ। য়াইনম শিঙমিৎ খূৎশু মতিক ময়াই হাপ। লাইরেল সনা নাসি পুঙমাই লেম। কোললোই মখুৎদাং মখুৎসি। লিকলাং সনা শিনা য়ালনা। মথৌ হেননা ঙাললমমে। অদু নোংগী মৈদিংঙু তুবী চরাইরোংবা। সনা চুঙশেলকোল। হেমবা নুঙফাল লোক। কচেং থাঙশা খুল। লোইবী শেককু চীঙ। খারম কোনহৈ চীঙ ও। ●

# ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'

## (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯶꯷꯷)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ꯫)

ꯈꯣꯛꯂꯥꯡ ꯃꯈꯨꯠꯁꯨ ꯌꯥꯏꯐꯨ ꯃꯥꯟꯃꯨꯈꯨꯠ꯫ ꯌꯥꯏꯅꯝ ꯁꯤꯡꯃꯤꯠ ꯈꯨꯠꯁꯨ ꯃꯇꯤꯛ ꯃꯌꯥꯏ ꯍꯥꯞ꯫ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯁꯅꯥ ꯅꯥꯁꯤ ꯄꯨꯡꯃꯥꯏ ꯂꯦꯝ꯫ ꯀꯣꯜꯂꯣꯏ ꯃꯈꯨꯠꯗꯥꯡ ꯃꯈꯨꯠꯁꯤ꯫ ꯂꯤꯛꯂꯥꯡ ꯁꯅꯥ ꯁꯤꯅꯥ ꯌꯥꯜꯅꯥ꯫ ꯃꯊꯧ ꯍꯦꯟꯅꯥ ꯉꯥꯜꯂꯝꯃꯦ꯫ ꯑꯗꯨ ꯅꯣꯡꯒꯤ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯇꯨꯕꯤ ꯆꯔꯥꯏꯔꯣꯡꯕꯥ꯫ ꯁꯅꯥ ꯆꯨꯡꯁꯦꯜꯀꯣꯜ꯫ ꯍꯦꯝꯕꯥ ꯅꯨꯡꯐꯥꯜ ꯂꯣꯛ꯫ ꯀꯆꯦꯡ ꯊꯥꯡꯁꯥ ꯈꯨꯜ꯫ ꯂꯣꯏꯕꯤ ꯁꯦꯛꯀꯨ ꯆꯤꯡ꯫ ꯈꯥꯔꯝ ꯀꯣꯟꯍꯩ ꯆꯤꯡ ꯑꯣ꯫ ●

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ২৫০ (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

মতমদু নীংথমথানা পুময়োম য়োমশিল্লবা, অহিংদা উনগী লিক্লা তাবা মতমনি। ঈংবনা খ্রং-খ্রং লাউরবা, মীপূম খুদিংনা শ্বর হোনবা খুদিংগী নাতোন অমদি চিনবান্দগী লৈচিলগুম মপৈ-মপৈ থোক্লকপা মতমনি। ঈংলে তোকপা য়াদবা, নোং চুরে চত্তবা য়াদবা, বন্দ তৌরে য়ৌদবা য়াদবা পুম্নমক্না মতম-মতমগী অঙ্গং-অশা, নোংজু-নুংশা পূম্বদৈ মশা মশাবু ঙাকথোকচনবা হোৎনরবসু লীলাগী পার্টিদি মদুগুম্বা লৈতে, মখোয়দদি চঙদে অঙ্গং-অশা। নুংশানা য়ক লাউনা শারবসু, লীলাদি শান্নদবা য়াদে। য়েংবীনবসু অদুম ৱাৎতে, নোংনা কন্না জম-জম হেক চুদ্রবা মরিক-মরিক চুরম্বদগী কল্লপ চুরফাওবা হৌখ্রবা লীলাদি লেপ্পা য়াদে। অয়েংবশিংসু ছাতিন তুপ্তুনা য়েংলবা লীলাদি লেপ্পা য়াদে। য়েংলিবা খরদুনা শাওদুইনি। নুংশিখ্রবা লীলাগী আর্টিষ্টনি। মসিবু ফিল্মগী কাঙবুনা, থিএটরগী কাঙবুনা তৌরমগদ্রা?

নীংথমথাসি ওইরে ঐনা খম হেক থেংখৈ ৱাবসি। মরমদি ঐদি ঈংবসি য়াম হৈনদে। হোয় ঐদা ওইরম্মোই, মী অয়াম্বসু ঈংবসিদি অরুম্বা ফি মরোল মরোল শেৎ-ইল্লগা মশা লুম্না-লুম্না লৈনবা ঙাক্তনি। অঙ্গংবদা থোক্কনু লোক থুংনি হায়নরিবনি। ঐখোয় লীলা পার্টিদি লোক থুংদবদৌনা ঈংখ্রবদুদা লীলা অদুম শান্নরকই। মতমদু চাওরাক্লা চহী ৪০ হেল্লবগী ৱানিকো। মতমদুগী নীংথমথাদো অমুক হন্না লাকখিগদ্রা খঙদে, থাদি থাজদ্রে, ঈংখ্রজাৎনি। য়াম্না ঈংবা হায়দু ঐ তম্ফম খঙদে। কনাগী কোবি, হঙ্গাম, আলু ইঙ্খোলদা থারিবা পোৎ চৈশিংদা উনপাক-উনপাক তাবা মতমনি। হঙ্গামগুম্বা, কোবিগুম্বদা তাবদি কৈসু কায়দে, হাওববু হেনগৎলি। আলুদা তাবসিদি নুংশা হেক শাবগা মুশিন্দুনা কংশিল্লিবনি। আলু ফৈদোম ফৈদোম শিরিবনি। অদুনা মতমদুদা আলুদু উনদগী কন্নবা হায়দুনা চন্দনা কুপ্পগা থম্নে। নুংশা শারকান্দা অমুক লৌথোক্লে। মতমদুদা ঐখোয় থেংখ্র-থেংখ্রবা অহিংদা লীলা শান্নরকইনি। কমাই তৌরমগনি খল্লগা অমুক্তা য়েংবীয়ু। লীলা ফি শেৎফমদগী লীলা শান্নরিবা মফমদু ফাও য়েংবদা লৈচিলনা পুন্মম মন্মী। মী ময়েক শেংনা উবা ফংদে। মদুদা ঐদি হিরো শারবনিদো হায়দনা ফুরিৎ অপাবা অমগা লিৎলদনা, খোঙ্গ্রাও ইষ্ট্রি মমি তেক্তবা অমা শেৎলগা, ফুরিৎকদু মনুংদা নমশিল্লগা, মতমদুগী চৎনবী, পেটি মমায় অপাকপা অমগা ফারগা, ঈংদবা শাদুনা মুক্লগা থোকপসিদ হায়... হায়... অহানবা থোকপগী মিনট খরদি কৈসু তৌরমদে। অদৈদি, খরা খরা সুম ঈংশিল্লক, খরা খরা সুম ঈংশিল্লক চিনবানগসি মুরপ তৌরগা নীকপা হৌরকই। অদুসু ঈংদবা শাদনা এক্টিংদি তৌরিনি। ৱা ঙাঙবদদি লোইরে অমুক্তোইবা, লৈ থাগৎতনা, লৈ তৎপদৌনা জিরি-জিরি ঙাঙবা ঙমদে। ঐগা পান্নরিবশিংসু অদু মঙাই, খ্বাইদৈ ফরিবদি নুপী শাবীশিংসিনি। মোইদি ফি ইল্লসু য়াই। সোল অমা ইনশিল্লগা অদুম থোকপদা কৈসু হায়দে। পাখঙ শারিবা ঐনা ফি ইল্লগা থোক্লুরদি কমাই তৌনি। অদুনা ফুরিৎ অথাবা ফাওবা লিত্তখৈ, মুক্তুনা থোক্লিবনি।

লীলা ময়ায়দুদা ঐখোয়না ৱা ঙাঙবসি চীনদগী লৈচিল মপৈ-মপৈ থোকই। ইশাগীদি উদ্রবনিনা খঙজদ্রে। ঐগা পান্নরিবশিংদুনা ৱা ঙাঙবা খুদিংগী মচিন্দগী লৈচিল পাইথোরকপদু য়েংবদা য়াম নোক্লিংখি। নোকফেৎসু তৌই। পান্নরিবদুনসু ঐনা ঙাঙবদা লৈচিল থোকপদু উরমগনি, অদুনা অদুম নোকফেৎ তৌনৈ। ঐখোয়না নোকফেৎ তৌরিদুনা ৱাখল অমনি, ঈংবা খাঙবগী মতৌনে, ঈংদবা শারগা এক্টিং তৌবদুদা নোক্লিবনি। অদুগা লীলা য়েংলিবশিংনা নুংঙাইরিবনা, মোইদি অরুম্বা ফি অথাবখৈ শেৎলগা ফিজাও ইল্লগা লীলা য়েংবনিনা ঈংবগী ৱাদি কৈসু থোইনা লৈররোই, মরমদি মী মরক্তা ফম্মগা লুম্না য়েংবনিনা। মোইনা নুংঙাইরিসিনা নোকফেৎ নোকফেৎকা তৌনরগা ঐখোয়না ৱা ঙাঙবদুদা হিরো-হিরোইনসি য়াম নুংশিনবা মাল্লে, ফজে হায়না নুংঙাইরিনি। ঐনগা ঈংমন্দনা ৱা মতৎ মতৎকা ঙাঙবদু পোজ তৌরগা নুংশিনবীগী মফমদা ওইনরগা ঙাঙবদৌনা তারজাৎনি। অদুনা অয়েংবশিংদি তপ তাখৈ নুংঙাইরিবনি। নীংথমথাগী ৱারীসি নুংঙাই নুংঙাইরবা লৈ। কুমজা ১৯৮৩দা, ঙসিদগীনা চাওরাক্লা চহী ৪৪ মুক্কী মমাঙদা ঐখোয়না "কলিগী কৃষ্ণ" হায়না লীলা অমা শান্নরম্মী। লীলাদুদা খ্বাইদৈ ঈংবসি আর্টিষ্ট অনীনি। অমনা লৈখিদ্রবা ঐগী মরুপ লৈশাংথেম ধনবিরনি, মানা মহাদেব শাই। মহাদেব শাবা হায়সি কৈ মউনদৌনা লাংবা ফৈগন্দং কুপ্পা, খুকউ মথক্কী ফি অমা শেৎকনি। ফুরিৎ লিৎলোই, ঙক্তা অশাবা লিন অমা য়েৎকনি, থবাক, পাম্বোমদা সুগ্রিবা পরেং শিরগা, কোক্তনা শম অশাংবা অমা যাত্রা তারগা, শম্বুলগা পুল্লদনা, খূৎতা খুজাই অমা অদুগা ধ্যান তৌবদা খূৎ থম্নবা অতেনবা ষ্টেন্দ মচা অমগা পায়রগা থোক্কদৌরিবনি। মদু নীংথমথাদদি কমদৌরমগনি, ময়াম্না অমুক্তা খনবীরো। মতমদুদা ঐনা কৃষ্ণ শাই। কৃষ্ণদি অমরোমদা ফৈজোম অমা শেৎলি। অদুগা রেশোন ফুরিৎ খুদাং ককপী অমা লিৎলি। অদুখক্তনি। অদুসু ঈংবনি। অতৈদি লোইনমক অরুম্বা ফি ইনবা য়াই। মদু নীংথমথাগী শাথীনা ঈংখ্রবা মতমদা অহিংদগা শান্নবসিদি ৱান্থগে তৌখৈ ঈংই হায়দুনি। অদুনা ঐখোয় লীলা শান্নবদা শীং হান্না মৈ থাগৎলগা লীলা হৌই। লীলা ফি শেৎফমদা ঐখোয় থৌওইনা শীং পুরগা চৎলিবনি। মদু মচি অমদা থাগৎলগা লীলা থোক্লমদাই, থোক্লুরগা হঞ্জিল্লকপদা মৈদু য়াইদৌরিবনি। অদুগা লীলা শান্নে। নোংমদি ধনবিরদু ঈংবা ফনবা কৈ-কৈনো খরসু শীজিন্নরগা লীলাদু থোক্লুরে। মদুনগা চঙবা নত্তে ঈংশিল্লক্লবদি। লীলা ময়ায়দগী হৌনা থক-থক নিক্লগা থকখিবদুগা মপা-মপা ওইদুনা লীলা ময়ায়দা ৱা ঙাঙবা ঙমদদনা ইক-ইক তৌদুনা লৈরে। মাই মতৌদুদা নোক্লিংবা অমসু ফাওরে। লীলা থোকমিন্নবশিংনা নোকপসি নোকপসি, অমুক্তোইবা হেক্তা লোইবনি। অদুগা মানা শাওবসি শাওবসি, মাই মতৌদুদা নোকশিল্লক্লে হায়দনা। লীলা য়েংলিবশিংগীদি অরায়বনি। ঐখোয় মশেল মরক্তসু অনৌবা লীলা অমগুম্না থোক্লবনেমী। নীংথমথা হায়সি কয়া মওং চাদে। সিনা লীলাগী ৱারী মতা অমা ওইনা তৌবনিনা ফুরিৎ লীৎতবগী ৱানি।

চুম্নগী অতৈ লীলাশিংদসু অদু মঙাই। নীংথমথানি হায়দুনা ফুরিৎ অথাবা লিৎপা য়াদবা সিন য়াম্না য়াওই। মরু ওইনা হিরো শাবসিদি খরা হেন্না ঈংই। অহল শাবা অমা কয়া ঈংদে। মরমদি মাদি ফি অমা য়ানশিল্লগা নৎত্রগা ইনশিল্লগা ইয়া য়াই। অনানবগী ওইরসু সোল অমা য়ানশিল্লগা নৎত্রগা ইনশিল্লগা থৌরম অমা য়াওরুবা শারগা অদুম শান্নবদা কৈসু হায়রোই। হিরো হায়সিদি নহা য়ং য়ং লাউবা শাদৌরিনি। অদুগী মথক্তা কালেনগী সিন য়াওবা য়াওই। দাইলোগতা কালেনগী নুংশা য়াম শাবগী ৱাগা য়াওরগা ফুরিৎ অথাবা জর্সিগুম্বা লিৎলুবা য়াবা নত্তে। অদুনা য়াম্না ফরক তাই। ফুরিৎ অপাবা অমা ইষ্ট্রি নান্না তক্লগা লিৎতৌরিনি। মদু খোঙ্গ্রাও মনুংদা নমশিল্লগা পেটিগদু অপাকপা অমা ফারগা, আনোক সনগ্লাস অমগা উপ্পগা থোক্লিবনি। শোমদদি ঈংবনা তররর... লাওনা চিংশিনবা মতমদুদা অকনবা শাদনা থোক্লগা ময়ায়দা কন্না নীকখৎলকপদুদি অরোইবীনি। মাদি কৈমতা ঈংদবা শাদুনা রোমান্সকী দাইলোগকা ঙাঙনদনা তৌদৌরিনি। য়াম্না ঈংখ্রবা মতমদা লীলা শান্নবসি তশেংনা অৱাবনি। অদুনা ঐখোয়গী পার্টিগী ওইনদি নীংথমথাদা লীলা শান্নবসি লীলা ফি শেৎফমগী ফীভম য়েংলগা শীং অকংবা লৈরগা মৈ থাগৎলগা তিক্লগা লীলা শান্নবসু য়াওই। মমৈদদি চেরিটি লীলাগা শান্নবা চৎপসি, গাড়ীদা মৈতান হাপ্পগা পুগনি। অদুগা মৈফু অনী/অহুমগা হাপচিল্লগা অদুম পুরগা চৎলি। মীগীদা অমুক মৈফু পীয়ু, মৈতান পীয়ু হায়রুদৌ শরুক হায়দুনা ঐখোয়না অদুম পুরগা চৎচৈ। অদুনা অঙ্গংবা মতমদদি য়াম্না কান্নে। মসিগী মমাঙ য়াম্না ঙল্লিঙৈদা ইলেক্ট্রিক অমদি জেনরেটরগী য়াম্না খুদোং চাদ্রিঙৈ মতমদদি লীলাগী ফি শেৎফমদা হাফলেম্প হায়দুনা অমা থেৎলগা থম্মী। মদু মখুম হাংদোক্লগদি মৈদুগী মকোক্তুদা মৈশা য়াম্না থোকই অদুসু খূৎ শারগা খরদি অদুম শাহনবা য়াই। মদু লীলা থোক্লুবশিংনা ঈংলগা চঙলকপদা ফি অমা ইল্লগা মৈদুদা থোক কুপশিনবদা থুনা শাগৎলি। মসিসু এক্সপরিএন্স অমনি। হৌজিক্কী মতমগী মীনদি হাফ লেম্প হায়রিসি করিনো হায়বা ফাওবা খঙলরোই। হৌজিক্তি শীজিন্নখিদ্রে। অদুগা উবফাও উখিদ্রে। ●

# সিমদি পাখৎলে উখিগদৌরে খনবদা

পূন্সিগী ঈচেলদা - ১৫৪

**ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার**

ঙসি ফাওবদা ঐনা দেল্লীদা চহী নিপাল হেন্না ইহৈ তম্লকপদনি খঙদে, টাইৱানদা চহী ৩০ ফানীংচিৎ লৈরক্তুনা য়ুনিভর্সিটি অমদা ওজা ওইদুনা লাকপদনি খঙদে, লোয়ননা মালেমগী লৈপাক কয়াদা চৎপদা ইমান্নবা অমদি খঙনা চান্নবশিংদা ঐগী পোক্লফম লমদমগী নীংথিজবা, শান্ন-খোৎনবগী লম্‌দা মাঙজিল থাদুনা চৎপা, হৈথোই-শিংথোইবা, ঐগী ইনাৎ, লাইনিং-লাইশোল, হৌনা-লোনচৎ, ৱাঙাঙ-শঙাঙ অমদি অহল লমনবু ইকায়খুম্ননা চৎপনচিংবা কয়াগী মরমদা চাওথোকচনা ফোঙদোকচৈ অমদি উৎথোকচৈ। টাইৱানদদি ঐগী মহৈরোয়শিংদা স্লাইদ ফাওবা কাপ্তুনা উৎলিবনি চাউথোকচনা ইরমদমগী মরমদা।

অদুম ওইনমক পোৎলম অনীখক্তি পনবদা অমদি উহনবদা য়াম্না ইকায়জে। অনী অদুদি অমনা মণিপুরদা পৈরা পৈরগা লৈরিবা অমোৎপশিং অদুগা অতোপ্পা অমদুনা ইরমদমগী অমনা অমবু চিংথনবগী চৎনবী অমদি হৈনবী অসিনি। লাইবক ফবদি, অকোনবগী সিমদি নুংগী ওইবা চৎনবী, হৈনবী ওইবনা অতোপ্পনা লায়না হেক উবা, খঙবা ঙমদে ঙাইহাক কোইরকপদদি।



চে মচেৎ অমা তাদবনে চাউখ্রবা লম্পাকসিদা

অদুম ওইনমক, মপান্থোংগী ওইবা শক্তম্মু উৎলিবা, তাক্লিবা ইম্ফাল ময়োলদগী হৌরগা নম্বুল তুরেল খোংবান, কৈথেল অমদি লম্বীগী মতাইদা ফত্ত-হৌদি অমদি অমোৎ-অকাই পৈ-পৈদুনা লৈরিবসি উখিগদৌরে খনবদা অসুক্কী মতিক পাখৎলি অমদি ইকায়বা ফাওই। ঐহাক্না ইকায়বা ফাওরিবা অসুম্না ইরমদমগী লুচিংবশিংসি ইকায়বা ফাওদব্রা খঙদে।

য়েংবীয়ু, ঐখোয়গী ইরমদমগী মফম কয়াদা মরু ওইনা ইম্ফাল সিটি অমদি তোঙান-তোঙানবা টাউন, কৈথেলশিং অমদি মী য়াম্না তাবা, লাক্লবা মফমশিং, টুরিষ্ট স্পোটশিং অমদি লম্বীগী মতাইদা মোৎলিবশিংদু পল্লুবা, ফোঙদোক্লুবদি লায়রদনা য়াম্না পাখৎলি অতোপ্পনা কোইরকপদা উখিগদৌরে খনবদা।

নোংমা পোলেন্দদগী মাল্লি টুরিষ্ট/য়ুট্যুবর অমা ইম্ফাল এয়রপোর্টলোমদগী মাগী মোবাইল ফোন কেমেরাদু শীজিন্নদুনা খোংনা সুম লাক্লগা ইম্ফাল বজার চৎলমদাইদা কৈশামথোং মথক্তগী নম্বুল তুরেলগী খোংবান্দা তারিবা, পৈশিল্লিবা অমোৎপা ময়ামদো উৎলকপদা ঐ টাইৱানদা থাপ্পা লৈজখ্রবসু অসুক্কী মতিক ইকায়বা ফাওখি।

টিভিদা, পাউচেদা অমদি সোশল মীদিয়ানচিংবদদি তোয়না তাখি ইম্ফালসে স্মার্ট সিটি ওইহনবগী অমদি লুনা নান্না থম্বগী প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎলে হায়দুনা। অদুবু পূম্নমক অদো কদাইদা চৎখ্রগে অসুক মোৎনা থল্লিবা। ইম্ফাল মনুংদা লৈরিবা কৈথেলশিং অসিগী অকোয়বদা পৈশিল্লগা লৈরিবা অমোৎ-অকাইশিং অদু উবদা স্মার্ট সিটি ওইবা অমদি লূ নান্না থম্বা সিটিদি লায়রদনা ফত্ত-হৌদি লংথোকফম কোমদুম মাল্লি (garbage dumping ground)।

মরম অসিনা, ফোরেনরশিং লাকপদা, কোইরকপদা নৎত্রগা পোলো গেম পাঙথোকপগী, লিটরেরি মীট য়াওবগী লাকপদা পৈ-পৈদুনা লৈরিবা অমোৎ-অকাইশিংসে উখিগদৌরে খনবদা য়াম্না পাখৎলি, ইকায়জে। অদুবু ঐখোয়গী লুচিংবশিংনদি ইকায়বা ফাওবগী মহুত্তা ঐ এম এল এনি, মিনিষ্টরনি কায়না নোক নোক্তুনা, হরাও -হরাও ৱারী শারমগনি। ইন্দিয়া মচাশিংনা লাকপদুবুদি করিসু খল্লুদে মোইনা মোৎপগী হৌরকফম ওইবনিনা।

তশেংবগীদি, ঐনা সুম খঞ্জবদা, ঐখোয়সি অসুক মোৎনা হৌরকপা খুন্নাই অমদি নত্তে খল্লি। মসিগী খুদম হায়ববু মণিপুরদা লৈরিবা ইমুং খুদিংমক, য়ূম খুদিংমক লায়রগেরা, ইনাক খুনগেরা, ঈনা কুপ্পা য়ূম ওইগেরা, চেকনা শাবা য়ূম ওইগেরা অসুক্কী মতিক নান্না-নান্না থম্নে নুংতিগী শিৎ শেংদুনা। ইমুংদগী হেন্দোক্তুনা শুমাং-থেলোং, কোম্থোং ফাওবা নুংতিগী শিৎ শেংদুনা থম্বগী হৈনবী লৈরিবা অসিনি। ঐনা অঙাং ওইরিঙৈ, মথোৎ কারকপা অমদি দি এম কোলেজ তম্লিঙৈ মতমদসু নুংতিগী শুমাংদগীনা কোম্থোং ফাওবা লূ-নান্না থম্বা হায়বসি ঐগী ইথৌ ওইদুনা নুংতিগী ৱাই শিৎলিবনি, ৱাকিং চেনবা নৎত্রগা জিমদা শাজেল তৌরুরবা মতুংদা। অদুবু ঐগী-ঐগী শুমাংদগী, কোম্থোংদগী হেন লাম্থোকখিবদা অদুম লোইরে লূ-নানবসে।

ময়াম্না হেন্না খঙবী-উবীরবা ঙাক্তনি মদুদি য়ূমগী কোম্থোংদগী হেক লাম্থোকখিবদা হৌরে লংথোকপা, চাইখাইবা অমদি মোৎহনবা। ঐগীবু নৎত্রদি লম্বীদা অমাং-অশোই তৌশিল্লবসু অদুম য়ারে হায়বগী ৱাখল্লোননি তৌনরিসি। মীপূম খুদিংমক, ইমুং খুদিংমক মাগী-মাগী ইমুং মনুংদি অসুক্কী মতিক নান্না-নান্না থম্নরিবা খুন্নাই অসিনা কোম্থোং হেক লাম্থোকখিবদা মোৎলিবসি করিগীনো হায়না হংবা য়াবা ৱাহংনি। অসিগুম্বা মাগী মাগীতা খনবগী ৱাখল্লোন অমদি চমোৎ চমোৎপগী হৈনবীসি ম্যেনলেন্দ ইন্দিয়াগী মেন্টালিটি অমদি হৈনবী য়াওরকপগীনি হায়না খল্লি। ইন্দিয়াগী লাইনীং-লাইশোন লৌদ্রিঙৈ অমদি ইন্দিয়াদা তিন্দ্রিঙৈদা অসিগুম্বা ইশা-ইশাগীতা খনবা অমদি অসুক্কী মতিক মোৎপগী হৈনবীসি ঐখোয়গী ঈদা, খুন্নাইদা লৈরক্তব্রা খল্লি। অদুবু ঙসিদি লোইরে ইন্দিয়াগী চৎনবী, হৈনবী ইল্লুবদগী। খুন্নাই অমদা লৈরিবা মীয়াম অদুগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন অমদি হৈনবীসি লমদম অদুবু করম্না থম্মী অমদি মীয়াম্না করম্না চৎলি, থবক তৌই হায়বসিনা ময়েক শেংনা উৎলিবনি। অমোৎ-অকাই দষ্টবিন/ত্রাশ কেন মনাক্তা লৈনা লৈনা দষ্টবিনদা হুন্দোকপগী মহুত্তা থাদনীংবা অমদি হুন্দোক্লিংবা মফমদা হেক্তা হুন্দোকপা অসি ম্যেনলেন্দ ইন্দিয়নশিংদগী তম্লুবগী অরায়বা খুদমনি।

চাওখৎলবা ঐখোয়গা শক-চু, চীঙ্গাক য়াম্না মান্নবা নোংপোক লৈবাকশিং- চাইনা, সিঙ্গাপোর, টাইৱান, হোং কোং, মকাও, জপান, সাউথ কোরিয়ানচিংবা লৈবাকশিং অসিদা মীয়াম্না অমোৎ-অকাই, ফত্ত-হৌদি থল্লিবা দষ্টবিন/ত্রাশনচিংবদা থাদনৈ। লোয়ননা, নুংতিগী য়ূমদগী ফত্ত-হৌদিসি অকক্লবা পুংজাদা লাক্লিবা গার্বেজ ত্রকশিংদা হোন্দোক্লে। শিন্থা লেপ্পা মতমদনা অমোৎ-অকাই, ফত্ত-হৌদি মাগী-মাগী ময়ূম ময়ূমদা থমদুনা গার্বেজ ত্রক লাকপা নুমিৎ ঙাইনৈ। অসুম্না তৌবসিনা লম্বীদা, লম্পাক্তা চে মচেৎ অমা তাবা উদে। মসিনি চাওখৎপা খুন্নাইদা লৈবা মীয়ামগী চৎনবী, হৈনবী। অদুবু য়েংবীয়ু চাওখৎপা ৱাৎলিবা ইন্দিয়াগুম্বা অমদি মণিপুরগুম্বদা।

মোৎহনসি-মোৎহল্লোইসি হায়বসি লৈঙাক্তা অমদি মীয়ামদা লৈরে। অহানবদা, মণিপুর লৈঙাক্না অমোৎপা হুন্দোক্লবা, খোমজিন্নবা অমদি রিসাইক্লিং তৌনবা ফুমজিনখিনবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং হায়বদি দষ্টবিন, ত্রাশ কেননচিংবা থম্বীবা, গার্বেজ অমদি রিসাইক্লিং বোক্সনচিংবা থম্বীবা, গার্বেজ খোমগৎনবা অমদি হুন্দোক্লবা গার্বেজ ত্রকশিং শীজিন্নবা, দম্পিং গ্রাউন্দশিং থম্বা অমদি রিসাইক্লিং ফেক্টরিনচিংবা থম্বীবা মথৌ তঙাইফদে। পূম্নমকসিদি থম্বীদ্রগা মীয়ামদা ৱাখল তাদে হায়না লৈঙাক পায়রিবা লুচিংবশিংনা মরাল শীবদুদি লাল্লি। অদুগা নাকল অমরোমদনা, ইনফ্রাষ্ট্রকচর পূম্নমক অসি থম্বীরবসু, লৈরবসু মীচম মীয়ামগী হৈনবী শেমদোক্তুনা মফম চানা লংথোকপগী, হুন্দোকপগী চৎনবী, হৈনবী তম্বা, লৈহনবা মথৌ তাই। লোয়ননা খুন্নাই অসিগী খন্দুনা ইশা-ইশাগীতা খনবগী অপীকপা ৱাখল্লোন থাদোকপা মথৌসু তাই। অসিগুম্বা হৈনবীসি ইশা-ইশাদগী হান্না শেমদোক্লবা মথৌ তাই অতোপ্পনা হৌরকপা ঙাইবগী মহুত্তা।

ঐহাক ইশামকসু অসুম্না হুন্দোকপসি তৌরম্মী ইন্দিয়াদা লৈরিঙৈদা অতৈগী মতুং ইন্দুনা। অদুম ওইনমক, কুমজা ১৯৯৫দা ঐহাক সাউথ কোরিয়াগী সিওল সিটিদা ইন্টরনেশনল য়ুথ কনফরেন্স অমদা ঐহাক্কী লোয়নবী টাইৱানগী চাইনিজ নিঙোল চেন নান-টাই/চনীংলৈমা উন্নদুনা সিওলদা নুমিৎ ১০নিমুক অমদি টাইৱানদা চয়োল অনী কোইরুবদা মাগী মতৌ তম্বা হৌখিদুনা ঐহাক ঙসি ফাওবা মসিগী হৈনবীসি ইন্দুনা লাল্লি। অফবদি মতৌ তমশিনগদবনি। অফবা মতৌ তম্বদা অপীকপা-অচৌবা, লৈত-লায়রা, অচৌ অশাং হায়বা লৈতে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।